### ৬২ শুবা ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭

# বিদ্যাসাগর সলাম, মোইরাংথেম প্রিয়া অমসুং মৈস্নাম মৈরাবনা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন্না শিল্লগা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এম বি এ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৩৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৬২ শুবা ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা বিদ্যাসাগর সলাম, মোইরাংথেম প্রিয়া অমসুং মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অন্দর-১৯ বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদু বিদ্যাসাগর সলাম অমসুং ওইনাম এমসন্না শান্নখি। মেচ অদু বিদ্যাসাগর সলাম্না ২১-১৬, ২১-৯ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা ওইনাম এমসন্না রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

অন্দর-১৩ গী গার্লস সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা মোইরাংথেম প্রিয়া অমসুং এঞ্জেলিনা অমোম শান্নখি। মেচ অদু মোইরাংথেম প্রিয়ানা ২১-২০, ১৯-২১, ২১-১৮ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা এঞ্জেলিনা অমোমনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেচতা খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং নাওরেম পুর্নিমাগী জুরাগা কোন্থৌজম দিঙ্কু অমদি খ্বাইরাকপম রোনিগী জুরগা শান্নখি। মেচ অদু খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং নাওরেম পুর্নিমাগী জুরানা ২১-১৫, ২১-১৮ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা কোন্থৌজম দিঙ্কু অমসুং খ্বাইরাকপম রোসনিগী জুরানা রন্নর্স-অপ তাখি।

মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচনা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং অমসুং দল্লিয়ু জেমসনা শান্নখি। মেচ অদু মৈস্নাম মৈরাবনা ২১-৮, ২১-১২ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা দল্লিয়ু জেমসনা রন্নর্স-অপ তাখি।

বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৭ কী ফাইনেল মেচনা বিদ্যাসাগর সলাম অমসুং পুন্সিবা য়েংখোম্না শান্নখি। মেচ অদু বিদ্যাসাগর সলাম্না ২১-১৫, ২১-৬ তা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা পুন্সিবা য়েংখোম্না রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

অন্দর-১৯ বোইজ দবলসকী ফাইনেল মেচ অদুনা খ্বাইরাকপম রঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুগী জুরাগা চবুংবম কপিলচন্দ্র অমসুং নিঙোম্বম নন্দরাজগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুগী জুরানা ২১-৪, ২১-১৭ তা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা চবুংবম কপিলচন্দ্র অমসুং নিঙোম্বম নন্দরাজগী জুরানা রন্নর্স-অপ তাখি।

ৱিমেন'স দবলসকী ফাইনেল মেচনা ময়াংলম্বম সোমিবলা অমসুং নাওরেম অঙ্গিতাগী জুরাগা কে এস ঐচ খেলপতি অমসুং আর কে মিরান্দাগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু ময়াংলম্বম সোমিবলা অমসুং নাওরেম অঙ্গিতাগী জুরানা ২১-১৫, ২১-১২ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা কে এস ঐচ খেলপতি অমসুং আর কে মিরান্দাগী জুরানা রন্নর্স-অপ তাখি।

মেন'স দবলসকী ফাইনেলদনা আর কে সিনির অমসুং দল্লিয়ু জেমসকী জুরাগা খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুগী জুরানা ২১-১৫, ২১-১৫ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা আর কে সিনির অমসুং দল্লিয়ু জেমসকী জুরানা রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা আই জি এ আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল বিরেন্দ্র সিংহ (ভি এস এম) না চীফ গেষ্ট অমসুং বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ৱিন্নর অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবশিংদা দাইজ মেম্বরশিংনা ট্রোফি অমদি সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

### ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুবর্টো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অন্দর-১৭ গার্লস

# পোইরৌখোংজিন হায় স্কুলনা ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২২ দগী হৌরগা খুমন লম্পাক্কী মেইন ষ্টেদিয়মদা চত্থরকখিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুবর্টো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অন্দর-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পোইরৌখোংজিন হায় স্কুল ইম্ফাল ইষ্টনা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে। ফাইনেল মেচ অসিদা মায়থীহৌরবা সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফাল ৱেষ্টনা টুর্নামেন্ট অসিগী রন্নর্স-অপ তাহৌরে।

তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তরানা শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ অদু ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পোইরৌখোংজিন হায় স্কুল ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শান্নখি।

ফাইনেল মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চনবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। ফাইনেল মেচ অদুগী ৱিন্নর ওইদবা য়াদে হায়দুনা টিম অনীমক্না অকনবা এটেক চত্থনরকখি। অকনবা এটেক কয়া চত্থনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী টিমনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা পোইরৌখোংজিন হায় স্কুলগী জর্সি নম্বর ৭ রঞ্জিবলানা মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি।

গোল অদুবু হন্দোক্লবগীদমক সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনরকখি। পোইরৌখোংজিন হায় স্কুলগী মায়কৈন্দগীসু মখা তানা এটেক চত্থরকখি। মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা পোইরৌখোংজিন হায় স্কুলগী জর্সি নম্বর ৮ য়ুংলাওচিংনা মেচ অদুগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু পোইরৌখোংজিন হায় স্কুলনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল অনী অদু হন্দোক্লবগীদমক সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোয়শিংনা চোকথবা নাইদনা কন্না শান্নরকখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মায়কৈন্দগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু পোইরৌখোংজিন হায় স্কুল ইম্ফাল ইষ্টনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর এন প্রবিন, জোইন্ট দিরেক্টর কে ঐচ প্রেমোতা অমসুং জোইন্ট দিরেক্টর এল জয়েন্তকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। দাইজ মেম্বরশিংনা ৱিন্নর অমসুং রন্নর্স-অপ টিমদা ট্রোফি অমসুং সার্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নখি।

### ১৬ শুবা ঈ টিলোতমা দেবী মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়া জিরিবাম্না এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবীবু মায়থীবা পীখ্রে



জিরিবাম, জুলাই ২৬ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দবতা ঙসিদগী টিম তরানা শরুক য়াদুনা ১৬ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস, জিরিবামগী সুপরিটেন্দেন্ট এম টিলোক সিংহনা চীফ গেষ্ট, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মনিতোন্না প্রসিদেন্ট অমদি ঈ দিজেন্না দোনর ওইনা শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা গ্রুপ অহুম থোক্লা খাইদোক্লগা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ১৬ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী অহানবা মেচতা এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়া জিরিবাম্না এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবীবু পাঞ্জল ১৭-১৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেচ অদু এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়া, জিরিবামনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবী, জিরিবাম্না মায়কৈ খনখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা টিম অনীমক্না অপীবা মতম ফাওবদা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইবা মওংদা কাং কাপ্নখি। অদুবু অরোইবা পুংজাদা এল ঈ সী টিম এ বাবুপরানা এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবী, জিরিবামবু পাঞ্জল ১৭-১৩ দা মায়থীবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ এদা শরুক য়ারিবা টিমশিংদি এস এ ৱাই সী টিম এ সোরোক অতিংবী, ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ, কে ৱাই সী কালিনগরনি। গ্রুপ বিদা এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবী, এন এম কে নিংথেম্বম, এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়া অমদি গ্রুপ সীদা এল ঈ সী বাবুপরা টিম বি, ঈচেল ক্লব দিবোং, এম আই টি এল জিরিবাম, এস এ ৱাই সী টিম সী সোরোক অতিংবীনি।

ঙসিগী মেচ অসিদা টি ঐচ জুগমনিনা জজ, কে ঐচ বসন্তনা স্কোরর ওইখি। টুর্নামেন্ট অসি ঈ দিনকুমার অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা দোনেট তৌবিরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা হয়েং ইচেল ক্লব দিবোং অমদি এম আই টি এল, জিরিবাম অনীনা শান্নগনি।

# জীট কুনে-দোগী ট্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : ভাইরাব গাঙ্গুলি কোলেজ ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, কোলকটা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৯ অমসুং ১০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র, জুনিয়র এন্দ সেনিয়র নেসনল জীট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুনবগীদমক ষ্টেট টিম শেম্নবা ট্রাইএল সেলেক্সন লাক্লিবা জুলাই ৩০ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ দগীনা ৮.৩০ ফাওবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না জীট-কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ট্রাইএল সেলেক্সন অসি পাঙথোক্লগদবা মরম্না হৌখিবা মে ১৯ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল জীট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংনা মশাগী মেরিট সার্টিফিকেটশিং পুরক্তুনা নুমিৎ অসিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা মশাগী দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনগী খূত্থাংদা প্লেয়র রেজিষ্ট্রেসন ফোর্মসু ট্রাইএল সেলেক্সনগী লাকপদা য়াওরক্কদবনি। রেজিষ্ট্রেসন তৌদ্রিবা শান্নরোয়শিংনা মথং থা ওগষ্ট ১০ ফাওবগী মনুংদা মশাগী দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনগী খূৎথাংদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবিরক্লবা জীট কুনে-দো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# ফোরেন এক্সপোজর ট্রেনিংদা মণিপুরগী ৱুশু শান্নরোয় কয়া শরুক য়ারুগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া টিম দিভিজনগী ফোরেন এক্সপোজর ট্রেনিংগীদমক ইন্দিয়ন ৱুশু টিমগী মেম্বর ২২ খনগৎপদা মণিপুরদগী ৱুশু শান্নরোয় কয়া য়াওরে। শান্নরোয়শিং অসিনা বৈজিংগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা চত্থগদৌরিবা ট্রেনিংদা শরুক য়ারুগনি।

ৱুশু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া টিম দিভিজনগী ফোরেন এক্সপোজর ট্রেনিং অসিগীদমক ইন্দিয়ন ৱুশু টিমগী মেম্বর ২২ সেঙ্কসন তৌরক্লে। সেঙ্কসন তৌরক্লবা মেম্বর ২২ অসিদা মণিপুরদগী সেনিয়র তাওলু কোচ সচিদানন্দ ময়াংলম্বম, সন্দাগী শান্নরোয় এম রামেসচন্দ্র, ৱাই সনাথোই দেবী, কে অরুনপমা দেবী অমসুং তাওলুগী শান্নরোয় ময়াংলম্বম গ্যানদাস, লৈমপোকপম সনাতোম্বী চনু, এন জি এ তোসিবলা, কে ঐচ বিদ্যাশ্বরি চনু য়াওরি।

ফোরেন এক্সপোজর ট্রেনিং অসি সাই ঐচ এ টি সী সিলারুদা হৌদোকখিবা অমসুং সাই সেন্তর ভোপালদা মখা তানা চত্থখিবা নেসনল টিম কোচিংগী শরুক অমা ওইননি। হায়রিবা কোচিং অসি চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ২৭ তগী ওক্টোবর ৩ ফাওবা রসিয়াগী কজান্দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪ শুবা ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়নশিপকী প্রিপরেসন ওইনা পাঙথোকপনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# নেসনল ষ্ট্রেঙথ লিফটিং অমসুং ইনক্লাইন বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : আসাম স্পোর্টস এসোসিএসন অমসুং আসাম ষ্ট্রেঙথ লিফটিং এসোসিএসন্না পূন্না শিল্লগা আসামগী গুৱাহাটি রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা লৈবা নেহরু ষ্টেদিয়মদা লাক্লিবা জুলাই ২৭ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪ শুবা মেন এন্দ ৱিমেন, সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র, মাষ্টর নেসনল ষ্ট্রেঙথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ অমসুং সেনিয়র মাষ্টর, সেনিয়র ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ নেসনল ইনক্লাইন বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী ষ্ট্রেঙথ লিফটরশিং অমসুং ওফিসিএলশিং খল্লে হায়না মণিপুর ষ্ট্রেঙথ লিফটিং এসোসিএসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খনগৎলবা মণিপুরগী ষ্ট্রেঙথ লিফটর অমদি ওফিসিএলশিং অদুদি সব জুনিয়রগী কেজি ৫২ গী কেটাগোরিগী ওইনা য়ুনিক জিমগী ঐচ সুরজ অমসুং ৱাই ৱাংলেননি। সব জুনিয়রগী কেজি ৬৮ গী কেটাগোরিগী ওইনা আনন্দ মেমোরিএল জিমগী কে ঐচ চীংখৈঙানবা অমসুং য়ুনিক জিমগী টি ঐচ এলেননি। সব জুনিয়রগী কেজি ৬৬ কী কেটাগোরিদা য়ুনিক জিমগী এন হোরাইজন অমসুং কেনিস সলামনি। সব জুনিয়রগী কেজি ৯৫ গী কেটাগোরিদনা য়ুনিক জিমগী এল পুসপেন্দর শর্ম্মানি। জুনিয়রগী কেজি ৬৮ গী কেটাগোরিদনা য়ুনিক জিমগী এন বিনন্দ অমসুং রোজর নাইট ফাঞ্জৌবমনি। সেনিয়রগী কেজি ৬৮ গী কেটাগোরিদনা মাবোয় য়াইস্কুলগী এম জিন্থোইনি। সেনিয়রগী কেজি ৮৫ গী কেটাগোরিদনা য়ুনিক জিমগী এস বোবোস্নানি। মাষ্টরগী কেজি ৪৫ মথক্কী কেটাগোরিদনা মোইরাংকম্পু য়ুনিয়ন ক্লবকী দল্লিয়ু খোমদোনবীনি। সেনিয়র হেন্দিকেপকী কেজি ৬০ মখাগী কেটাগোরিদনা য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী সী ঐচ রিসিকান্তনি। নুপীগীদা সেনিয়রগী কেজি ৫৮ গী কেটাগোরিদা য়ুনিক জিমগী এস অনিতা দেবীনি। অদুগা সেনিয়রগী কেজি ৮৪ মথক্কী কেটাগোরিদনা য়ুনিক জিমগী লাইময়ূম পুস্পরানিনি। মণিপুরগী ষ্ট্রেঙথ লিফটরশিং অসিবু লুচিংনবগীদমক ওফিসল ওইনা কে ঐচ নিংথেমবু টিম মেনেজর কম কোচ ওইনা খল্লে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

### মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

# য়ু এস এনা এলেভেন ষ্টারবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে, এন আই ভি এস ও অমসুং এস এস সীনা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাওগী অবা (এ বি এ) গ্রাউন্দদা চত্থররিবা মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু এস এনা এলেভেন ষ্টারবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা এন আই ভি এস ও অমসুং এস এস সীনা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরামাপনশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.২০ তাবদগী এলেভেন ষ্টার অমসুং য়ু এস এ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীম্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা য়ু এস এগী জর্সি নম্বর ১৪ সী ঐচ চীংলেন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্নবা এলেভেন ষ্টারনা কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা এলেভেন ষ্টারনা গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎনখি। য়ু এস এগী মায়কৈদগীসু মখা তানা এটেক চত্থরকখি। মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা য়ু এস এগী জর্সি নম্বর ৬ গোবিন্দোনা গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদু য়ু এস এনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

য়ু এস এনা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোক্নবা এলেভেন ষ্টারগী শান্নরোয়শিং কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু য়ু এস এনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি।

মেচ অদুদা এলেভেন ষ্টারগী এস জিতেন অমসুং এ চিত্তরঞ্জন মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২০ শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী এন আই ভি এস ও অমসুং এস এস সী শান্নখি। মেচ হেক হৌরকপদগী টিম অনীমক্না হেঞ্জিন্নবা য়াদবা মওংদা শান্নখি। মেচকী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা টিম অনীমক্না মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চত্থনখি। অদুবু টিম অনীমক্না য়াম্না নিংথিনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেচ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

মেচ অদুদা এন আই ভি এস ওগী দল্লিয়ু অকাবা অমসুং এস এস সীগী ও মোচা অমদি ও সঞ্জয় মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

### ১০ শুবা কিশোর কুমার মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# টি ৱাই পি এ সোরা অমসুং কে এফ সী ককচীং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শিল্লগা চত্থরিবা ১০ শুবা কিশোর কুমার মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ/টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি দি এস এ ককচীংগী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচশিংদা টি ৱাই পি এ সোরানা গোল ২-১ দা অদুগা কে এফ সী ককচীংনা গোল ১-০ দা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী টি ৱাই পি এ সোরা অমসুং কে এম এস দল্লিয়ু সী কৈরক শান্নখি। মেচ হেক হৌরকপগা মরিশুবা মিনিটতা টি ৱাই পি এগী অলটাফনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্তবা য়াদে হায়না কে এম এস দল্লিয়ু সী কৈরক্কী শান্নরোয়শিংনা অকনবা এটেক কয়া চত্থরকখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা কে এম এস দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ৮ ইকবাইনা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্কেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্না অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা টি ৱাই পি এগী জর্সি নম্বর ১৭ সলাম্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু টি ৱাই পি এনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাখি। অকোনবগী গোল অদু কে এম এস দল্লিয়ু সীনা মেচ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা মেচ ওইনা এ কে এস এ ককচীং খুনৌ অমসুং কে এফ সী ককচীং ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ তাবদগী শান্নখি। মেচ হেক হৌরকপদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। মেচকী ৩৫ প্লস ৱান চৎপা মিনিটতা কে এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ এন বিকাসনা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে এফ সীনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক এ কে এস এগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা এটেক কয়া চত্থরকখি। অদুবু কে এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা নিংথিনা দিফেন্দ তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা কে এফ সীনা চনশিল্লকখিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা এ কে এস এ মায়থীহৌখি।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com